HUEIYEN LANPAO
# হুয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses



যুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট, লমাংদোং কৈথেল দিভলপ-মেন্ট কম্মিটি অমদি অপুনবা নুপী লুপ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা সিটিজনশিপ বিলগী মায়োক্তা বিষ্ণুপুর কৈথেলদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম

লামায় ৫



মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপ-মেন্টনা বেতি বচাও বেতি পরাওগী মতাংদা থবক ফজনা তৌবগীদমক সেনা-পটি দিষ্ট্রিক্টতা পীবা মনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী সোমোরজিৎ সলামদা খুৎশিন্নবা



এস এস য়ু এম, এ এম এম এস ও, এম এস এ দি, আর এস এফ, এ এম পি এস য়ু এমগী থৌমীশিং অমদি কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা রাজ্য সভাগী এম পি ভবানন্দগী য়ূমদা থোমজিল্লকখিবা

লামায় ১



ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর তোয়না শীনবা মরম্না চাওখৎ থৌরাংদা থিন্থহল্লে হায়না মীয়াম্না ৱাংগোই ম্যুনিসি-পাল কাওন্সিলদা থোমজিল্লকপা

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.300 | ইরাই, ৱাকচিং ২০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Friday, January 25, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## HL POLL

**Q :** Lok Sabha meekhal da EVM gi mahutta Ballot paper oina shijinnafam thok e haina loufam thokpra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Mari leinaba State singgi ayaba yaodana meetop amatta citizen oihalloi haiba wafam thajaningai oibra?

Yes 09% No 91%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

খরা অমনা সভেন্থ পেগী ষ্ট্রাইক তৌরি
খরা অমনা সিক্স পেগী ষ্ট্রাইক তৌরি !



লৈবাক অসি লোইনা ঙাওরবনি
ভায় ঐখোয় ঙাওবা তোল্লুসি...!

# পি এল এগী জিপসি য়াওনা মীওই খরা হাৎলগা ফুমজিনখিবগী ইনক্বারি চথরম্বা থেংনদ্রে : হায় কোর্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪(ঐচএনএস): ইম্ফালগী জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী হেক মখা থংবদা লৈরিবা আর্মিগী ‘এম’ সেক্টরদা লৈরম্বা লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমভিরনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা রুলিং (ওর্দর) অমদা পি এল এগী লুচিংবা অমা ওইবা জি জিতেশ্বর এলিয়স জিপসি অমসুং মহাক্কী মমান্নবশিংবু ফারগা হাৎলগা ফুমজিনখিবগী মতাংদদি ওথোরিটি অমত্তনা ইনক্বারি চথরম্বা থেংনদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী ওর্দর অসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমভির সিংহনা কোর্টসিদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ১০৩১ ওফ ২০১৮গী হিয়ারিং চথরবা মতুংদা পীখিবনি। পিটিসন অসি মহাক্না য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সগী য়াওনা আর্মি ওথোরিটিগী ওফিসল পূন্না রেসপোন্দেন্ট মরিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

ইম্ফালগী ‘এম’ সেক্টরদা ওফিসর কম্মান্দিং, ২-এফ আই দি/৩ সী আই এস য়ু ওইনা লৈরমখিবা পিটিস্নর মশাবু কুমজা ২০১৮গী জুলাই ১গী অয়ূক্তা অতোপ্পা আর্মি ওফিসরশিংনা লুচিংলকখিবা খূৎলায় পায়বা পর্সনেলশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা মফম খঙহন্দনা থম্লুবগী মায়োক্তা মহাক্কী লোয়নবী রঞ্জু সিংহ (৩৫)না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হেভিয়স কোর্পস পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অদুগী নম্বরনা দব্লিয়ু পি (ক্রিমিনেল) নম্বর-১১ ওফ ২০১৮নি।

কোর্ট অসিদা হৌজিক লোইশিন্দ্রিবা মসিগী ৱায়েলগী চৈরক্তা কুমজা ২০১৮গী জুলাই ২০ দা লেফটনেন্ট কর্নেল ধরমভিরনা মহাক্কী লোয়নবীনা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসিগা মরী লৈনবা এফিদেবিটতা দিমাপুরগী রঙ্গপহারদা লৈবা আর্মিগী থ্রী-কোরদা এটেচ তৌবা সী আই এস য়ুগী টিম অমনা মীতৈ মচা খরা



হাৎখ্রে খরনা হাৎলগা ফুমজিনখ্রে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখিবনি।

থৌদোকশিং অদুগী মনুংদা কুমজা ২০১০গী মার্চ ১০ দা ফিজম নাওবী, আর কে রোনেল অমসুং টি ঐচ প্রেম ফারগা য়ুনিট মেশকী মনিংদা হাৎখি। অদুগা কুমজা ২০১১গী ওগষ্ট ১৮ দনা দিমাপুরগী এস এস কোলেজ মনাক্তা লৈবা অশানবা য়ূম অমদগী পি এল এগী লুচিংবা অমা ওইরিবা জি জিতেশ্বর এলিয়স জিপসিবু মহাক্কী মরাল লৈজদবা মমান্নবা খরগা পূন্না ফারগা হাৎলবা মতুংদা য়ুনিট মেশকী মনিংদা ফুমজিনখি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট অসিদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকখিবদগী মঙোন্দা ন্যু দিল্লিদা লৈবা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স (আর্মি)গী ইন্টিগ্রেটেদ হেদ ক্বাটরদা লৈবা দিসিপ্লিন এন্দ ভিজিলেন্স এদজুটেন্ট জেনরেল’স ব্রাঞ্চতগী এদিসনেল দিরেক্টোরেট জেনরেলনা অইবা চেরোলশিং থারকখিবনি। চেরোলশিং অদুগী মনুংদা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ৫দা থারকখিবা চেরোল অমদা মহাকপু দিসিপ্লিন অমসুং ভিজিলেন্স ব্রাঞ্চ অসিদা এটেচ তৌরে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

# সিটিজনশিপ বিল : রাজ্য সভাগী এম পি ভবানন্দগী য়ূমদা থোমজিল্লকখ্রে, ৫ শোক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪(ঐচএনএস): সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মায়োক্তা মহৈরোয়শিং অমদি কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা রাজ্য সভাগী এম পি ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দগী য়ূমদা থোমজিল্লকখ্রে। পুলিসনা তানখায়-বদা মহৈরোয় ৪ য়াওনা ৫ শোক্লে।

মহৈরোয় লূপ তরুক মথংশিংনা এমসু, এম এস এফ, কে এস এ, দেসাম, সুক অমদি এইমসকী থৌ পুবশিং অমদি মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা রাজ্য




সভাগী এম পি ভবানন্দগী য়ূমদা থোমজিল্লকখি। সী এ বি য়ানিংদে হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা থোমজিল্লকখিবা মহৈরোয়শিং অদু তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা মোক বোম কাপখি। পুলিসনা তানখায়রকপা অদুদা মহৈরোয় মরি য়াওনা মীওই ৫ শোকখি। শোক্লবশিং অদুদি, কে এস এ হেদ ওফিসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইরিবা লৌশাংখোংদগী কে ঐচ সঞ্জয়, এমসুগী ... মখা লামায় ৩ কলম ৬

## উকিলশিংনা ঙসি সাইলেন্ট সীট ইন প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪(ঐচএনএস): হন্দক্তা লোক সভাগী মেজোরিটিনা পাস তৌখিবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ কী মায়োক্তা উকিলশিংনা হয়েং সাইলেন্ট সীট ইন-প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি। মখা লামায় ৩ কলম ২

## যোদ্ধ চন্দ্র সনসমগী *ঈখৌ* দা সাহিত্য মনা পীরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৪(ঐচএনএস): তরুকশুবা সলাম ইবোমচা-লসমী নীংশিং সাহিত্য মনা ২০১৯ থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দা লৈবা যোদ্ধ চন্দ্র সনসমনা ইবা শৈরেং লাইহৈরিক *ঈখৌ* দা পীরগনি হায়না সিলভর জুবিলী সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর ... মখা লামায় ৩ কলম ২

পাউচে অসিগী ঙসি ফোঙলিবা এদিসনগী ওইনা *এদিটোরিয়ল*, *আর্টিকল* অমসুং *মমি ৱারী* লামায় ৮ অমসুং ৯দা ফংবীগনি।

HL-P/2818/23/12/18-26/01/19

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...



খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অথম্বনা শেমজবা package লৈজরি
Toll Free Number 1800-345-3838
GET IT ON Google Play
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫